# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-10-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা মণিপুরগী কিলোমিতর ৮০৮ শাংবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট ৩৮ গী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনা হায়রি- এম.ও.বি.সি বিভাগনা রাজ্য অসিদগী জিলা ১৩ দা সদভাবনা মান্দপ য়াওনা মাইনোরিতিশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলি।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা মঙাসুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্দস ২০২৩ য়েন্থোক্লগনি।

------

গদকারি (এল)ঃ কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা সভাপতি ওইদুনা মণিপুরগী হাইৱেশিং শেমগৎ শাগৎপগী ফিভম নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে। নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অমদা শ্রী গদকারিনা কিলোমিতর ৮০৮ শাংবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট ৩৮ গী ফিভম য়েংশিনখিবনি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি- আজয় তমটা, হর্স মালহোত্রা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমদি পি.দব্লিউ.দিগী ওফিসিয়েলশিংনচিংবা শরুক য়াখি।

মীফম অদুগী মতাংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা শ্রী গদকারিনা হায়- নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা মীফম অসিগী মরুওইবদি মণিপুরদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং খোঙজেল য়াংশিনহন্দুনা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং মতম চানা লোইশিনহনবনি। থৌরাং অসিনা লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহনবতা নত্তনা শেনমিৎলোনদসু হেন্না ফগৎহন্দুনা অৱাং নোংপোক লমদমবু হেন্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবা মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবনি।

বিরেন (এল)ঃ মাইনোরিতি কাংলুপশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মঙলান অদুগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিতিজ এন্দ আদর বেকৱার্দ ক্লাসেসনা মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়ামরুম পায়খৎলি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- এম.ও.বি.সিনা রাজ্য অসিদগী জিলা ১৩ দা সদভাবনা মান্দপ, মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলশিং শারে। মসিগী মথক্তা চীংগী জিলাশিংদা ত্রাঞ্জিৎ একোমোদেসন, হাউজিং অমসুং থকবা অফবা ঈশিং পীনবদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক কয়াসু পায়খৎলি। হন্দক্তা নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্‌গা উন্নখিবা অদুদা রাজ্য অসিগী মাইনোরিতিশিংগী য়াইফনবা থবক পায়খৎপীনবা মুখ্য মন্ত্রি হায়জখি।

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথুবদা কাংপোকপী জিলাগী আইগেজাংদগী থ্রি নোট থ্রি স্নাইপ্পর রাইফল অমা, মেগাজিন য়াওবা নাইন এম.এম. সি.এম.জি অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, এস.বি.বি.এল অমা, ফিফতিৱান এম.এমগী মোর্তার অনি, হেন্দগ্রেনেদ অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমলে। অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱে-৩৭ তা গাড়ি ১৯৪ অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা গাড়ি ২০৫ অশোাই অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে।

ডে (এল)ঃ পুলিস কম্মেমোরেসন নুমিৎ নিউ দিল্লিগী নেসনেল পুলিস মেমোরিয়েল চনাক্যা পুরিদা পাঙথোকখি। জোইন্ট পুলিস কম্মেমোরেসন ডে পেরেদতা মণিপুর পুলিস শরুক য়াখি।

নুমিৎ অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা ঙরাং রিজার্ভ লাইন কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে। মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদ্রবা পুলিসকী মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপনা নুমিৎ অসিগী মপুংওইবা শক্তম ওইখি। জিলা অসিগী এস.পিনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা পুলিসশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা নার্কোটিক ড্রগস অমসুং সাইকোট্রোফিক সবষ্টেন্সেসকী মতাংদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা কাংপোকপী জিলাগী হেংবুংদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। লেকচর প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- নার্কোটক ড্রগস অমসুং সাইক্রোট্রোফিক সবষ্টেন্সেসনা শোকহনবা অমদি মসি শিজিন্নবনা সমাজ অমসুং ইমুং মনুংদা পীরকপা ঈথিল হায়বসিনি।

জিরি (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে পাকথোক চাউথোকপগা মরী লৈননা জিরিবাম সব-দিভিজনগী মনুং চনবা নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন (পেকেজ সভেন) রোগী মনুং চনবা মফমশিংদা লৈবা বিল্ডিংশিং তকথোকপগী থবক চথ্লরগনি। এস.দি.ও জিরিবামনা ঙরাং থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ক্ষেতিপুরন ফংখ্রবা লমগী মপুশিংনা মখোয়গী বিল্ডিংশিং নোতিশ অসি থোকপা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌথোক্কদবনি।

ববিনা (এল)ঃ ববিনা হোস্পিতাল খাবৈশোইদা নুমিৎ হুমি চথ্লগদবা এন্দোক্রাইন অমসুং দাইবেটিসকী লেমা লায়েংবগী ও.পি.দি ঙরাংদগী হৌখ্রে। নুমিৎ হুমি চথ্লগদবা কেম্প অসি দাইবেটিস অমসুং থাইরোদকা মরী লৈনবা লায়নাশিং চ্যেক তৌবগী থবক চথ্লগনি।

হাইৱে (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে ১৩৭-এ ৱাহেংবম লৈকাইদগী ককচিং লমখায় ফাওবগী লম্বী মতমগা চুননা শেম্বীদবনা লম্বী অসিগী ফিভম হায়নিঙাই লৈতানা ফৎত্রে হায়রি। ওল ককচিং ক্লবস কো-ওর্দিনেতিং কমিতিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম দ্রামাদাসনা হায়- নেসনেল হাইৱে অসিগী নাক য়েৎকী ইরম নালা ফৎতবা অমদি লম্বী শেম্বদা ক্বালিতি য়াওদবনা মরম ওইদুনা নোং খজিক্তুং চুবগা লম্বীগী শরুক অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনদ্না লৈ। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপীনবা দাবী তৌরি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা মঙাসুবা নেসনেল ৱাটর এৱার্দস ২০২৩ য়েন্থোক্লগনি।

মসিগীদমক কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রালয়না বেষ্ট ষ্টেট, বেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, বেষ্ট ভিলেজ পঞ্চায়ট, বেষ্ট অরবান লোকেল বোদি, বেষ্ট ৱাটর য়ুজর এসোসিয়েসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মনা ৩৮ লাউথোকখ্রে।

খ্বাইদগী ফবা রাজ্যগী মনানা উরিষানা তারে। উত্তর প্রদেশনা অনিসুবা অমসং গুজরাত অমদি পুদুচেরিনা পুন্না অহুমসুবা তারে। মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- ঈশিং শিজিন্নবা অমসুং মসিবু য়োক্তুনা থমবগী মতাংদা সরকারনা জাতিগী থাক্তা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সরকারনা পায়খৎলিবা জল সমরিধ ভারতকী ভিজন মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা লনাই মীওইশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শক খঙদুনা নেসনেল ৱাটর এৱার্দ অসি পীবনি।

সাইক্লোন ঃ ইন্দিয়া মেরিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়রি- হয়েং ফাওবদা বঙ্গোপ সাগরগী নোংপোক অমসুং ময়াই থংবা শরুক্তা নোংলৈ নুংশিৎ থোক্লবা য়াই। অকাশবানি নিউজগা ৱারী শান্নবদা মেট বিভাগকী সাইন্তিষ্ট ডাঃ আর.কে. জেনামনিনা হায়- লো প্রেসর লৈবা মরমা নোংলৈ নুংশিৎ অসি থোক্লপনি অমদি মসি নোংচুপ, অৱাং নোংচুপ থংবা শরুকলোমদা তপা তপা চংশিল্লক্লি। নোংলৈ নুংশিৎ দানা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫ গী লোন্নবা অহিংদা

উরিষাগী পুরি অমসুং সাগর ঈথৎতা য়ৌরক্লবা য়াই। নোংলৈ নুংশিৎ অসি পুংদা কিলোমিতর ১২০ য়াংনা শিৎকনি। মেট   বিভাগনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অসি শগোলশেন নুমিৎত উরিষা-নোংচুপ বেঙ্গল সমুদ্র খোঙবানদা য়ৌরক্কনি।

মরক অসিদা উরিষা সরকারনা সমুদ্র খোঙবানগী অনেম্বা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিং হোংদোকপগী থবক চথবা হৌখ্রে। থকবা ঈশিং য়াওনা ইলেক্ট্রিক ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎলে। এন.দি.আর.এফ, ও.দি.আর.এ.এফ অমসুং ফয়ার সার্ভিসকী টিমশিং মী কনবা অমসুং তেংবাংনবগীদমক সমুদ্র খোঙবানলোমদা চংশিনখ্রে। নোংলৈ নুংশিৎ দানানা থোকহল্লক্কদবা অমাং অতাশিং থেংননবা শেম শারিবা অদুগী মতাংদা কেন্দ্রগী কেবিনেট সেক্রেটরিনা উরিষাগী চীফ সেক্রেটরিগা ৱারী শান্নখ্রে।

পিএম ঃ    প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ১৬ শুবা ব্রিক্স মীফম য়াওনবা ঙসি রসিয়াগী কাজানগীদমক ভারত থাদোক্লগনি।

ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চাইনা অমসুং সাউথ আফ্রিকা (ব্রিক্স) মীফম অসিনা মালেমগী ওইনা চাওখৎহনবদা অহেনবা মীৎয়েং থমগদৌরি। মীফম অসিদা মালেমগী হৌজিক ওইরিবা হিরম কয়া খন্নবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ফোরেন সেক্রেটরি বিক্রম মিশ্রানা পাউমীশিংদা হায়-ভারত অসি ব্রিক্স হৌদোরকপদগী য়াওরক্লবা মেম্বর অমনি। মসিনা হেক হৌদোরকপদগী হৌদুনা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। শ্রী বিক্রমনা হায়- নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিনা শেল থুমগী লমদা তেংবাং পীনবা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। ইনর্জি অমসুং ফুড সেক্যুরিতিগী লমদসু হেন্না অফবা মরী থল্লগনি। হকশেল অমসুং নহাশিংগী ৱাখল্লোনশিংবু হেন্না থৌনা হাপ্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা রসিয়াগী মকোক থোংবা মীওইশিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়াসু খন্নগনি হায়রি।

অমরোমদা, কাজানদা লৈবা ভারত মচাশিং মরুওইবা মহৈরোইশিংনা প্রধান মন্ত্রিবু তরামা ওকবা শেম শারে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা পায়খৎলিবা হাইৰ্রে প্রোজেক্টকী রিভিউ মিতিংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন শরুক য়াখিবা, পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিমগী মখাদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী নৌনা য়ুম লিশিং ৭ শাবদা অয়াবা পীরকখিবগী পাউনা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মণিপুর নিডজদা- মণিপুরগী নেসনেল হাইৰ্রে প্রোজেক্টশিং হেন্না থুজিলহন্নবা সি.এমনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারিদা তকশিনখ্রে, নৌনা লুপা ক্রোর লিশিং ১ চংনা পায়খৎকদবা হাইৰ্রে প্রোজেক্টকী অয়াবসু পীরকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌরদুনা ঈচেল এক্সপ্রেস, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, পোনফম, মোর্নিং বেল অমসুং পিপলস ক্রোনিলকদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিমগী মখাদা ইরাং অসিদা ময়ুম মকৈ থাদোকখ্রবশিংগী য়ুম লিশিং ৭ শারগনি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পেকেটতা হানবা চানবা পোৎলমশিং ফুড সেফতিগী ওফিসিয়েলশিংনা টেষ্ট তৌবীনবা হেলথ মিনিষ্টর সাপম রঞ্জন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- এম.এল.এ মিনিষ্টর ১৯ না প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্টতা হান্না পীশিল্লম্লে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা মণিপুর অমা শেমগৎপদা মণিপুরগী দাইস্পোরাগী অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না পুনেদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অমান্দগী ১৩ এন্যুএল জেনেরেল মিতিংদা এম.পি. ডাঃ বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মণিপুর মেল, পোকফম, মোর্নিং বেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হাইৰে পাঙথোকবা জিরিদা ইভিক্সন চথনবা নোটিশ থোকখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক পাউচেদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- পুলিস কম্মেমোরেসন ডে পাঙথোক্তুনা থৌনা ফরবা পুলিসশিংগী মফম ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী এনকর কলমদসু ফোংলি।

পোকফমদা- হৌখিবা পুং ২৪ দা দেঙ্গি কেস ৪২ হেনগৎলকখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

দিসএবল কেন্দিদেট অমা এস.এস.সি একজাম থাহল্লকখিদ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পুদুচেরিগী মওং মতৌদা য়ুনিয়ন তেরিতোরি শেমনবা মণিপুরগী কুকি জোশিংনা দাবী তৌরিবা ৱাফম কেন্দ্রনা য়াখিদবগী পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্ উন্নদুনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবগী পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- পুং ৪৮ গী মনুংদা সাইক্লোন দানা বে ওফ বেঙ্গল য়ৌরক্লগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------